## এডিটোরিয়েল

# টিকেট ফংদবশিংনা ময়ূম হোংবা

### হেন্না ফগদবা খোঙদাফম থিজরগসু হান্নগীদু চৈরোইদবনি

পোলিটিকেল পার্টি লিংখৎপগী অথীংবা লৈতবা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাকশিংদা মীখল ময়াদা থোকপা কম্মন ওইবা ৱাথোকশিংগী মনুংদা টিকেট ফংহৌদ্রগা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি অমদা অমুক য়াওবা শম্না হায়রবদা য়ূম হোংবগী থৌওং অসি অদুম চৎনদুনা লাকই। মীখল হায়বসি পোলিটিকেল পার্টিশিং অদুদা য়াওরিবা মীওইশিংগীদি খ্বাইদগী লূম্না লৌই। পার্টিশিংদা য়াওরক্লিবা ১০০ গী মনুংদা ৩০ দি মীরেপ ওইনবগী পান্দমদনি। মীরেপ ওইননবা পান্দমগী মখাদা পোলিটিকেল পার্টি অমদা য়াওরক্লগা টিকেট পীবিদবা হায়বসি মহাক্কীদি খ্বাইদগী থম্মোয় শোকপা অমসুং নুংঙাইতবা থৌদৌ অমনি হায়না লৌবা য়াই। মসিমক লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা থোক্কুনা মশা-মশানা থৱায়দগী হেন্না লুনা নীংজরম্বা পোলিটিকেল পার্টিশিংদগী থাদোক্লগা চেন্নবা য়াওই। মমা অমত্তগী নাউওমদগী তারকপা মচিন-মনাও নৎত্রগা অপোকপা মপাগা ফাওবা পুন্সিগী ওইনা কায়নবগী পূংফম ওইহনবা য়াওদবা নত্তে। পূম্নমক অসি ঐখোয়গী দিমোক্রেসিগী সিষ্টেম অসিনা ওইহল্লকপনি অমসুং কৈদৌঙেদসু মসি থিংবা ঙম্নবগী ওইথোকপা য়াবা মরম অমা ফাওবা লৈতে। মসিগী মরমদি পোলিটিক্সতা চঙলক্লিবা মীওই অয়াম্বা পোলিটিকেল পৱার অদু শীজিন্নরগা মহাক্না নীংলিবশিং অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি। পুন্সিগী লাইনীং ওইদুনা লৈরক্লুবা পোলিটিকেল পৱার অদু পায়ননবগী তাঞ্জা য়ৌরক্লবদা মদুগী লম্বী থৎখিবা হায়বসিদি মীওই অদুগীদি লু কোকপগা চপ মান্নে। মমা-মপা, মচিন-মনাও, মরী-মতা নৎত্রগা মরুপ-মপাং হায়বা অমত্তা লৈতে। মদুননি বিহারদা নিংথৌগুম্বা হাইনা-হুম্না পাল্লম্বা য়াদব শাগৈগী মচিন-মনাওশিং নপাক-নপাক লেপ্পদুনা ইমুং-মনুং অমা ওইবগী ইকায়খুম্নবা পূম্নমক মাঙনরক্লিবসিনি। মসি মণিপুরদসু অদুম্মক থোকই।

লৈবাক অসিগী লৱার হাউসতা মেম্বর ওইননবগীদমক মণিপুরদগী মীহুৎ অনী থাগদৌরি। ইন্নর অমসুং আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি হায়রিবসিদা মীরেপ ওইননবগীদমক তোঙান তোঙানবা মীওই ১০/১০ দগী তাদনা পার্টি অমগী মেম্বরশিং চোংথোরকই। মরু ওইনা ভারতিয়া জনাতা পার্টি (বি জে পি), ইন্দিয়ান নেস্নেল কোংগ্রেস (আই এম সি) গুম্বা পোলিটিকেল পার্টিদদি মীরেপ ওইগে হায়বা মীওই কয়ামরুম চোংথোরকই। মীরেপ ফনা য়াম্না চোংথোক্লগসু পার্টি অমগী ওইনা মীরেপ ওইহনগদৌরিবসি আউটরদা অমা অমসুং ইন্নরদা অতোপ্পা অমা খক্তনি। মীরেপ ওইগে হায়না টিকেট থারকপনা মীওই ১০/১০ গী মথক্তা ওইরগদি অতোপ্পা মীওই ৯/৯ অমদি টিকেট ফংদবা হায়বসি হৌনশানি। টিকেট ফংদবা মীওই ৯/৯ দু মরম অমা নৎত্রগা অমদা মরাল শীন্নরগা পার্টি থাদোক্লগা চৎপা হায়বসিসু চৎনবী অদুম্মক ওইরি। অমরোমদা পোলিটিকেল পার্টিশিং অদুগী থৌগায় পুরিবশিংনা পার্টিগী টিকেটতা মীরেপ ওইজগে হায়বা মীওই পূম্নমক্কী থম্মোয় শোকহন্দনবা অকনবা থৌশিল হান্না লাউথোক্লগা থৌশিল অদুগী মখাদা টিকেট থারকউ হায়বা অমা লৈরগদি অসিগুম্বা নুংঙাইতবা, খুদোংচাদবা নৎত্রগা পূক্নীং নুংশিবগী মতৌ অসি লৈরম্লোই হায়বা য়াই। পূম্নমক অসিগী মথক্তা পোলিটিকেল পার্টিদা থৌগায় পুরিবশিং অমসুং ৱার্কর ওইরিবশিংনা খ্বাইদগী মরু ওইনা লৌগদবদি মীয়াম হায়বসিনা অহানবনি অদুগা পার্টি লাক্কদবনি। ইশাগী হায়বদুদি আ-মমৈদা ওইগদবনি। মীয়াম্না করি পাল্লি, করি হায়নখিগনি হায়বা ৱাফম অসি খলহৌদনা য়ূম হোংবা হায়বসি মীওই অমগী পোলিটিকেল কেরিয়রদা মোঙফম ওইনীংঙাইনি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি মরম অমা নৎত্রগা অমদগী মীখল ময়াদা মহাক্না য়াম্না থাজনা য়াওজখিবা পোলিটিকেল পার্টি অদু থাদোক্তবা য়াদবদগী থাদোক্লবসু মহাক্না য়াউরম্বা পার্টি অদু মীয়াম মমাঙদা চৈগনু। মদু লুচিংবা অমগী লীচৎ নত্তে। মদুগী শরুক ঐনা হন্দক য়াওজরিবসিনা মীয়ামগী থবক হেন্না তৌবা ঙমগদ্রা খঞ্জবদগীনি হায়রগদি মীয়ামগী মীনুংশি লাকপা য়াই হায়জনীংই।

[illegible]

# শজিবু চৈরাওবা অমসুং নুমিৎসিদা পাঙথোক্কদৌবা থৌরমশিং

*হাওবম ইবোচাওবা*

চৈরাওবা হায়বা অসি য়েলহৌঙেদগী লৈরক্লুবা মৈত্রাবাক্কী ওইবা চহী অমগী মনুংদা অমুক্তমক থোকপা মৈতৈশিংতগী ওইবা অচৌবা থৌরম অমনি। থৌরম অসি চহী খুদিংগী লাইর-ইনাকখুনবা খাইদনা অঙম-অঙম্বা মওংদা কোনুং অমদি মৈত্রবাক্কী য়ূমথোঙ খুদিং চিংখদনা পাঙথোকপা তৌদবা য়াদ্রবা উৎসব অমা ওইনা লৈরক্লি।

চৈথারোল কুম্বাবগী মতুং ইন্না নোংদা লাইরেন পাখঙবগী অসুম শমথরকপনা শকাব্দ ৩৫০-৪৪০ খৃ. ৪২৮-৫১৮ ফাওবা মৈদিংঙু নাউফংবনা পাল্লম্মী। মহাক্না পাল্লিঙৈ মনুং শকাব্দ ৩৬১ খৃ. ৪৩৯ শুবদা চৎলিবা চহী লোইরে অদুনা অনৌবা চহী মথং নুমিত্তা হৌগনি হায়না তাক্কুনা চৎনরকপা লৈকাই লাকপা মরি, খ্বাই য়াইস্কুল, খুরাই, ৱাংখৈ, মরি অসিগী পানা মরিনা মাগী মাগী ফিজেৎ মচুশিং শেৎ চারবগী তুংদা মৈত্রবাক্কী মায়কৈ মরিমক্তা শগোল তোংদুনা খোকৱাগী মতোন্দা ফিরাল মচা অমদি সরিক পুনসিল্লগা ৱা অদু হাই হুমদুনা, খিঙদুনা নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্না লৈকাই লৈকাই, খুঙ্গং-খুঙ্গং খুদিংদা পাউজেল চৎহল্লম্মী। অসুম্না চৈ পায়রগা লাওবা চৎলি হায়বগী চৈলাওবা, চৈলাওবদগী 'চৈরাওবা' হায়না খঙনদুনা লাকই।

য়েলহৌঙেদগী মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবা হাক্তক্তগী চৈ পায়দুনা লাউরম্বা অদু শকাব্দ ১৩৮৯-১৪৩০ খৃ. ১৪৬৯-১৫০৮ ফাওবা পানখিবা মৈদিংঙু ক্যাম্বা সনা হাক্তক্তগী নিপা মরিনা চৈ পায়রগা লাউরম্বা অদু তোকখ্রে। মদুগী মহুত্তা মী অমখক্লা মহুৎ শিনহনখ্রে। সনা হাক্তক অসিদা হান্নদগী চৎনরকখিবা থৌরম্না লাইরোল ওইনা হায়রগা শ্রীযুৎকী য়াথং মতুং ইন্না শকাব্দ ১৪০৭ দা পোইরৈচা মদায়রেমনা ইহান হান্না চৈ থাখি। অসুম্না মৈদিংঙু ক্যাম্বা সনা হাক্তক্তগী 'চৈ থাবা' হৌখি।

চৈ থাবগী অচৌবা থৌরম অসি সনা কোনুংদতা পাঙথোকই। অদুবু হৌজিক্তা চৈরাওবগী থৌরম অসি কোনুং অমদি মৈত্রবাক্কী য়ূমথোঙ খুদিংদা তৌদবা য়াদ্রবা থৌদিক-থৌদানি খন্না পাঙথোক্লদুনা লাক্লি। কোনুংদা পাঙথোকপা থৌরমগা য়ূমথোঙ খুদিংদা পাঙথোক্লিবা থৌরমগা অনী অসি য়াম্না খেন্নে। নিংথৌনা পাঙথোক্লিবা থৌরমনা কোনুংগী অমদি লৈবাক্কী ওইনা য়াইফনবা পাঙথোকই। অদুগা য়ূমথোঙ খুদিংগীনা য়ূমগী লাইনিংথৌ অমদি লৈমরেল শিদবী অনীদা কুম অমগী ফংলিবা মনা-মশিং, অনৌ-অপেন, চেঙ-হৱাই কৎচরগা ইমুংগী মীওই খুদিং অমসুং মরী-মতা, খঙন-চান্নবশিংদা অৱা-অনা, তিনয়েৎ-লাইয়েৎপা থোকহনবীগনু হায়না থৌনিজবগী থৌরমনি।

চৈরাওবা নুমিৎ অসিগী নোং হেক ঙানবগা চহী অমগী মী খুদিংমক্কী ফত্তবা ময়াম কোক্লবা হায়দুনা মী অদুগী মপোক নুমিৎকী মতুং ইন্না মখাদা ইরিবা পোৎলমশিং অসি ঈশিংদা হাপ্লগা ইরু মাইথজদুনা লাকখি। মী মীদুগী শীজিন্নগদবা মনা-মশিং মখাদা থমজরি।

১। নোংমাইজিং নুমিত্তা পোকপা মীনা ঈশিংদা উথাও মনা, নাগেশ্বর মনা হাপ্লগা ইরুজরিঙৈ মনুংদা চহী অসিগী ফত্তবা পূম্নমক কোকপীরো হায়না নুংদা খল্লগা শেংনা ইরুজথোক্কনি।

২। নিংথৌকাবা নুমিত্তা পোকপা মীনা 'তিংথৌ অঙৌবা' মনা ঈশিংদা থাদরগা পূক্নীং নুংঙাইনা ইরুজবীগদনি।

৩। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পোকপা মীনা 'নোংমাংখা অঙৌবা' মনা থাদরগা থম্মোয় শেংনা ইরুজথোকপিগদবনি।

৪। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পোকপা মীনা 'খোংনাং তরুং' ঈশিংদা হাপ্লগা ইরুজবীগদবনি অমসুং অফবা ৱাখল খনগনি।

৫। শগোলশেল নুমিত্তা পোকপা মীনা 'চক হৈক্রু' মনা ঈশিংদা হাপ্লগা ইরু শেংনা লুথোকপিগদবনি।

৬। ইরাই নুমিত্তা পোকপা মীনা 'খুজং মনা' ঈশিংদা হাপ্লগা ইরু মাইথজবীগদবনি।

৭। থাংজ নুমিত্তা পোকপা মীনা ঈশিংদা 'য়ুবী মহি' ফংদ্রগনা য়ুবী মনা অমসুং য়ুবী মসুং থাদরগা চহী অসিগী ফত্তবা পূম্নমক কোকপীরো হায়না হায়রবগী তুংদা শেংনা ইরুজথোকপীগদবনি।

চৈরাওবা নুমিৎমক্কী নোংঙানবগা য়ূম্বুরেম্বী অদুনা ফমুংদা লৈরিঙৈ মতমদা খূৎচা ৫ না লৈমায়দা অহুম্লক শোক্কনি। শোকপা মতমদুমক্তদা ইমা লৈমরেন লৈপুনবীবু নিংশিংজগনি, খূৎচা মঙা অদুনা লাইবক তোংদমদা নম্লবগী তুংদা শ্বর য়েংগনি মদুদা য়েৎলা ওইরা খঙলবা মতুংদা য়েৎ ওইরগা খোঙ য়েৎনা লৈমাইদা কুমগনি ওই ওইরগনা য়েৎকা চপ মান্ননা তৌগনি। থোঙ হেক হাংবগা বৃন্দাদেবী ইমাবু হান্না খুরুম্লবগী তুংদা কোরৌহনবা (নুমিৎ) পু খুরুমজগনি। অসিগী তুংদা ইরু শেংনা লুজথোকপীগদবনি। ইরুজবা লোইবগা শম চেকশিন খোইজিন্না চোইথোকহন্দনা ফী মচেৎ অমনা য়োমশিন্দুনা পুনশিল্লবগী তুংদা লাইনিংথৌ লৈমরেল অনীদা সিধা থিন্নবা পুখম অনীদা চেঙ মেরুক অমমম হৈরগা ময়াই অদু খূৎনা শেমদুনা হাংহনগনি। অহাংবা মফম অদুদা এঞ্জুাং-নাপী, অনৌ-অপেন, মরোই-মপাং মৈতৈগী থুম মপাক য়াওনা মথেল শুননবা হাপ্লগা খোইরু থাওমৈ নৎত্রগা উচাল মৈরা (মোমবর্তি) অমসুং দক্ষিনা (অকৎশেল) গা লোয়ননা লাইনিংথৌ লৈমরেল অনীগী মমাঙদা কৎকনি। অসুম্না তৌনবসু লৈ মদুদি ঃ- তেংকোৎ অহুমদা মৈতৈ ঙামু অমমম নৎত্রগা অহুম-অহুম হাপ্লগা লাইনিংথৌ মমাঙদা সিধা থিল্লি। মদুদা দষা পাংদবা ইমুংদা তুরৈ-ইরৈ চেনগদবা থোক্কদবা, নঙ্গদবা লৈরবদি কৎলিবা মৈতৈ ঙামু অদু তুমিন্না লৈয়ু হায়বা য়ারোই ফ্রং-ফ্রং চোংথোরক্কনি। অদুবু পূক্নীং চেৎনা খুদোংথীবা থোক্তনবা লাইনিংথৌ লৈমরেল অনীবু থাগোঞ্জদুনা থমজগনি। মসিগী তুংদা সিধা থিল্লিবা অদু কাইথোক্লগা চাক-এঞ্জুাং থোংগনি।

**লাইনিংথৌ লৈমরেল অনীদা কৎননবা অনৌ-অপেনগী পোৎলম ঃ**

লোকলৈ, পুল্লৈ, এল্লাং, কোমপ্রেক, আলু, কোবী, য়েনম নাকুপ্পী, হৱাইমুবী, হৱাই মঙ্গল, উয়েল, য়োংচাক অমদি মৈতৈগী অশেংবা থুম মপাক লোয়ননা চু অঙৌবা য়াওগনি।

**কৎকদবা হৈয়ান হৈশিং ঃ-** চোরফোন, হৈনিং, মালহৈ, হৈতুপ, হৈরি, থবী অমসুং নোঙ্গাংহৈ।

**কৎকদবা লৈশিং ঃ-** কুশুম লৈ, কোম্বীরৈ, লৈরি অমসুং উরিরৈ মাধবী।

য়ূমগী য়ূম্বুরেম্বীনা চাক থোংবা লোইরবা মতুংদা চাক থানবগীদমক চালুক শেমগনি লোয়ননা থাওমৈ হৈরুক পানা-তাঙ্গা, হৈ-লৈ য়াওনা শেন্নবগী তুংদা কোম্থোঙ ৱাংমদা নাপী ফান্দোক্লগা ৱাই তৈদুনা থন্নিবা মফমদু তান্না লাক্লগা য়ূমগী য়ূম্বুরেল ওইবনা অঙাংশিংগা লোয়ননা মফমদুদা লাইগী চাক থাগনি। মসিদা অঙাংশিং পুদুনা চৎপগী মরমদি য়ূম্বুরেল অদুনা তৌরিবা থবক অদু য়েংহৌরিবা অঙাংশিংদুনা পারি পুরিগী চৎনলোন খঙহৌনবা য়েংহনবনি। লাইগী চাকলুক থাবা অসি অখঙ-অহৈ পণ্ডিতশিংনা চাকলুক অহুম কৎলি। হৌজিক্তা চাকলুপ অমদগী হেন্না থানদ্রে।

**শজিবু চৈরাওবগী লুক থাবদা শোনগদবা লাইশোনদি ঃ-** "ইরম মাবা তুমাবা, ইরম শেনবা তুশেনবা, কুমশনা কুমলিকলাই, অহুমগী নফমদা লুকলেন অসি কৎচরি। অসিগী তুংদা হনু কোকচাও, হনু লৈখম অমসুং খুন্দাহনবা নখোয় অহুম্না ফংবীয়ু। তুরৈ-ইরৈ চেলহনবীদবা নুংঙাই য়াইবী মরাঙ কায়বা পীবীরম্মু হায়না মী অদুনা মায় মখা ওন্না খুরুমজগনি।"

মথক্তা হায়খ্রিবা মৈতৈ চৈরাওবা অসিদা শাগৈ অদুগী পোকপা নৎত্রগা শিবা থোক্কুনা য়ূম মাংলবদি নুমিৎ অসিদা ঈরাৎ থৌনিবগী থবক তৌবা য়াদে।

চৈরাওবগী চাক থাবা লোইরবগী তুংদা এঞ্জুাং মথেলশিংদু মরী-মতা অমদি য়ূম্লোন্নবশিংদা অমগা অমগা লান্নদুনা চামিন্নগনি। ইমুং মনুংসু হরাও তয়াম্না চামিন-থকমিন্নগনি। নুমিৎ অসি খৎন-চৈনবা তৌবা য়াদে, হায়রিবা নুমিৎ অসিদা খৎন- চৈনবা তৌরবদি চহী চুপ্পা খৎন-চৈনদুনা লৈ হায়না অহল লমনশিংনা তাকপীরম্মী।

**চাক চাদ্রিঙৈ মমাঙদা মৈতৈ ঙামুনা উশিন তৌবগী থৌরম -**

**অহানবা ঃ-** চৈরাউবা নুমিৎকী অয়ূক্তা য়ূমগী য়ূম্বুরেম্বী অদুনা ইমুং অদুগী মীপুম খুদিংমক্কী মিং হান্ননা খঙদোক্কনি অদুগী তুংদা ঙামু অদুগী ময়াদা চেঙ অঙৌবা, চেঙ অমুবসিনা নঙগী নচীঞ্জাক তম্লবনে হায়রগা ঙামু অদুগী মচিন্দা ইনগনি। মদুদগী পুখ্রিদা লাক্লগা ঙামু অমমম ফারগা খূৎউমশিন্না পায়রগা অসুম্না হায়গনি। মদুদি ঃ- হে! ঙামু নঙনা তাইবঙমীগী ফত্তহৌদি শিগদবা নাগদবা পুগনি হায়না গুরুগী মাঙদা য়াখ্রবনি অদুনা ঙামু নঙনা লাইজ ইরোলনুংদা নচা ফংজদুনা নুংঙাই য়াইবী মরাঙ কায়না শান্নজবা ফংবগুম (মীদুগী মমিং হায়গদবা) মী মমিং অদুবু হায়রগা মহাকপুসু তাইবঙদা হরাউ তয়াম্বা পুন্সি নুংশাংবা পীবিরম্মু হায়রগা খূৎ অদু ঈশিংদা লুপথরগা হাংদোক্লগা ঈশিংদা থাদোক্কনি। মসি মীপূম খুদিংমক্কী চপ মান্ননা তৌগনি। উশিন তৌবা অদুদা ঙামু অদুনা মশা খিঙনা চেনখ্রবদি মী অদুগী অফবা ওই। ঙামু অদুনা লেঙম শাঙমদনা লৈরবা অদু ওইরবদি মী অদুগী দষা কয়া পাঙদে হায়না খঙনগনি।

**চাক চাবা লোইরবা মতুংগী উশিন শিনবা থৌরম-**

**অনীশুবা ঃ-** অয়ূক ঙন্তাদগী তুলশিবোঙ ৱাই তৈথোক্লগা থমগনি। তুলশিবোঙগী মমাঙদা চাইশেল নৎত্রগা কোনপাক মচাদা ঈশিং হান্না হাপ্তুনা থমগনি। ইমুং অদুগী মীপূম খুদিংমক্কী লৈ পরেং অমমম শেমদুনা থমগনি। লৈ পরেং অদু ঙকশমদা শিরগা তুলশিবোঙ মমাঙদা খিল্লিবা পাত্র অদুদা য়েংলগা অদুদা তারিবা মশাগী মমি অদুদা অসুম্না হায়গনি। হে ইতাও লোইনবা, নতাও ঐনা হাকুম চহীদগী কুমশি চহী ফাওবা অফ-ফত্ত পূম্নমক পুদুনা লাক্লে। অদুনা ইতাওনা কুমশি চহী অসিদগী নোংমৈ চহী ফাওবা পুবীরো হায়রবগী তুংদা ঙকশমদগী লৈ পরেং অদু লৌথোক্লগা ঈশিংদা তারিবা মি অদুদা লৈ পরেং অদু শিজিনবীগনি। অসি নত্তবদা কনা কনাগুম্বা মীওই খরনা লৈপুংদা ছত্র য়ুংলবগী তুংদা নূংদুম লংশিল্লগা উশিন তৌনবসু য়াওই। উশিন মখল য়ামই। মদুদি- উগী উশিন, ৱাগী উশিন, মীৎয়েংফুগী উশিন, হকচাং উশিন, লেপশিন উশিন, মীবু উশিন ওইহনবা মতাং মতাংদুগী শীজিন্নগদবা উশিননি।

**খঙদবা য়াদবা থৌরম খরা ঃ-** চহী অসিগী চৈরাওবা অসিনা লাকপদা ইমুংদুগী ময়ূম পানখ্রবী মচল-মচেশিংনা মবুং-মৌপ্বা, মমা-মপাশিংগীদমক লৈজবা খুঁদৈ নৎত্রগা মোজা ফুরিৎ অমদি অঙম্বা দক্ষিনাগা লোয়ননা পুরক্তুনা কৎচগনি। মদুদা মবুং-মৌপ্বা, অহল-লমন, মমা-মপাশিংনা মচাশিংবু নুংঙাই য়াইবী মরাঙ কায়না পানবা অমদি পুন্সি তোলোইনা অনা-অয়েক য়াওদনা পানবা ঙমজরো হায়না মকোক্তা নাম্থবীদুনা বর পীগনি।

***(ৱারেং অসি অইবগী লাইরিক "মেরা থাউমৈ" হায়বা অদুগীনি)***

***মীয়ামগী খোল্লাও, মীয়ামগী ৱাকৎ, মীয়ামগী মত***

# ১৭ শুবা লোক সভা মীখল লাকপদা সিনিয়র সিটিজন্স ফোর সোসাইটিনা থমজবা ৱাফম খরা

*ইকায়খূম্নজরিবা এদিটর,*

১৬ শুবা লোক সভাগী মপুন্সি লোইশিল্লক্তুনা ১৭ শুবা লোক সভা মীখল তাঙ্কক কয়ামুক থোক্না পাঙথোক্লবা ইলেক্সন কম্মিসন্না শেম শাখ্রে। মণিপুর রাজ্যগীসু আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখলনা চৎলিবা এপ্রিল থাগী তাং ১১ দা অদুগা এপ্রিলগী তাং ১৮ দনা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না ই সি আইনা লেপখ্রে। মীখলগী পাঙথোকফম থোকপা কেন্দিদেটশিংগী নোমিনেসন ফাইল তৌবা, স্কুটিনি পাঙথোকপনচিংবা থবক পূম্নমক লোইরবা তুংদা আউটরদা মীরেপ ৮, ইন্নরদা মীরেপ ১১ না মীখলদা লাম্বা তৌনরগনি। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী মতাংদা সিনিয়ার সিটিজন্স ফোর সোসাইটিনা খঞ্জবা ৱাফম খরা ভোট থাদবিগদৌরিবা প্রজা মীয়ামগী মফমদা নোল্লুক্না থমজরি।

মীয়ামগীদমক মীয়াম্না চলাইজবা মীয়ামগী লৈঙাক গনতন্ত্র হায়বসিনা পূম্নমক্তগী খ্বাইদগী ফবা লৈঙাক্লোননি হায়বসি অয়াম্বনা য়ান্নরবা ৱাফমনি। মশীং য়ামজদবা অপীকপা লৈবাক্তা নাগরিক খুদিংমক্না লৈঙাক শাসন্দা হকথেংননা য়াওবা ঙমজরবসু মীশীং য়াম্না লৈবা লম পাক-চাউবা লৈবাক্তদি মদু ওইথোক্তবা মরম্না মীয়ামগী মীহুৎ মীখল তৌদুনা খল্লগা লৈঙাক সাসন তৌহনবা চৎনদুনা লাক্লি। মসিবু ইনদাইরেক্ট দিমোক্রেসি নৎত্রগা রিপ্রজেন্টেটিভ দিমোক্রেসি হায়না খঙনরি। মীশীং ক্রোর ১২৫ লৈবা, পাক চাউবদা উপমহাদেসনি হায়নরিবা ভারতসু মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকপা গনতন্ত্রগী মওং অসি ঙসি ফাওবা চৎনদুনা লাক্লি। মসিদা য়াম্নমক লুরিবা ৱাফমদি মীয়ামগী মীহুৎ খনবসিনি। মীখলদা মীয়াম্না খল্লক্লিবা মীহুৎশিং অদুনা মীয়ামগী সেবাদা মপুন্সি কখোকপা ঙম্বা, মশাগী ওইজ ওইথক্কী ৱাখল তুংওইনবা, মতীক চাবা মীহুৎ ওইরগনা লৈবাক মরা তপ্না পাল্লি, মীয়াম পূম্নমক নুংঙাই য়াইবী মরাঙ কায়না, ইজ্জৎ লৈনা হিংই, চাউখৎ খুমাঙ চাউশিল্লি। অমরোমদনা, মীখলদা কারক্লবা মীয়ামগী মীহুৎশিং অদুনা মশাগী ওইজ ওইথক্কী ৱাখলতনা মাঙওইনবা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফ ৱাখল তুংওইনবা, মীয়ামগী মীহুৎ ওইবগী মতীক মগুণ চেন্দবা মীশক ওইরগনা লৈবাক্কী আইন খোঙ্গাউনরকপা, মীহাৎ-মীপুন, মীওৎ-মীনৈ তোয়না থোকপা, শেঞ্জা-থুমজাগী লায়না শন্দোরক্তুনা অচুম-অরান, অফ-ফত্তগী বিচার লৈরক্তবা, লৈবাক কাঙখোং চাইবা অসিনচিংবা থোকই। শম্না হায়রবদা মীখলদা ঐখোয় মীয়াম্না ঐগী ঐগী লনাইগী কান্নবা, ওইজ-ওইথক ফংগনি হায়বা ৱাখল থাদোক্লগা লৈবাক্কী, খুন্নাই মীয়ামগী য়াইফননবা ৱাখলতনা মাঙওইনরগা মীয়ামগী অনীংবা, অপাম্বা, আশা অমসুং খোল্লাউ পুদুনা পার্লিয়ামেন্টতা নীংথিনা ফোঙদোকপা ঙম্বা মতীক চাবা এম পি অমগী গুণ চপ চানা চেনবা মীবু ঐখোয়গী মীহুৎ ওইনা মীখলদা খন্দুনা থাগৎলকপা ঙম্লবদি প্রজা মীয়ামগী মঙলান মঙফাওনবা ঙমগনি। গনতন্ত্রগী অশেংবা মহাওসু তংবা ফংগনি। মদু নত্তদুনা লনাইগী কান্নবা খরদং ফংগনি খন্দুনা মতীক চাদবা, মথোঙ হুক্তবা মীরেপ্পু মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎলুরগা লৈবাক মীয়াম পূম্নমক ৱাবা, হা হাকার লাউদুনা খাঙবা অসিনি। মরম অদুনা মীখল/ ইলেক্সন হায়বসি গনতন্ত্রগীদি খ্বাইদগী মরু ওইরিবা থৱায়দুমক্লি হায়বা য়াই। অরানবা পাম্বে শীজিন্নদনা নীয়ম চুম্না ভোটরশিংনা মনীংতম্না মানা-মানা পামজবা মীরেপ্তা ভোট পীদুনা পাঙথোকপা মীখল ওইরবদি গনতন্ত্রগী ৱাহম্থোক লৈগনি। অমরোমদা ইলেক্সন কোদ ওফ কন্দক্ট পূম্নমক থুগায়দুনা ভোটরশিংবু কিহন খংহন্দুনা নমফু-হাফুদা ভোট থাদহনবা নৎত্রগা কৈথেলদগী হঙ্গাম, কোবী লৈবগুম লুপা লীশীং-লীশীং পীদুনা ভোট লৈরগা মীখলদা মায় পাক্লবা হোৎনবগী মাঙ-তাক্লীংঙাই ওইবা থৌদৌনা গনতন্ত্রবু ৱাহম্থোক য়াওদ্রবা ফাগি তাহল্লি। হৌখিবা চহী ৩০/৪০ গী মনুংদা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীখলশিংদা মনি পৱার অমসুং মসল পৱারনা খুদুম চনশিনখিবসি লাইবক থিবনি। মদুগী ময়েক লারবা প্রমাণদি লোক সভাদা ক্রোরপতি এম পি ময়াম অমসুং ক্রিমিনেল রেকোর্দ লৈবা এম পি ময়াম য়াওরিবসিনি।

খুদম ওইনা হায়রবদা ১৫ শুবা লোক সভা মীখলদা এম পি ৫৪৩ গী মনুংদা ৩০০ দি ক্রোরপতি ঙাক্তা ওইখি। অদুগা মীহাৎ মীপুন্নচিংবা ক্রাইমগী ৱাথোক্তা চেন্নবা এম পি মশীংনা ২১৩ নি। মসিদগী ঐখোয়না শেংনা খঙলে ভারত্তা পাঙথোক্লিবা মীখলশিং অসিগী ফল মনি পৱার অমসুং মসল পৱারনা অয়াম্বা লেপ্পী। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ১৭ শুবা মীখল অসি ফ্রী এন্দ ফেয়র ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনরবসু চিরবা মতমদা মনি অমসুং মসল পৱারনা খুদুম চনখিদুনা মীখলগী ৱাহম্থোক লৈররোইদ্রা হায়বগী অকিবা চাউনা লৈরি। অকিবা অসি কোক্লবা ই সি আই অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সনা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাঙ লৌখৎপগী মথক্তা মিজোরামদা য়ং-মিজো এসোসিয়েসন কৌবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমনা মখোয়গী রাজ্যদা পাঙথোকখিবা মীখলদা ফ্রী এন্দ ফেয়ার ওইহনখিবগুম মণিপুরদসু এপেক্স সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা চোংথোকপিরক্তুনা মীখলদা শেল য়েনবনচিংবা অরানবা থবকশিং থিংবা য়াই। অদুম্না তৌরবদি মীখল অসি ৱাহম্থোক লৈগনি।

পূম্নমক অসি কুপ্না য়েংলুরবদি হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা য়াম্নমক মরু ওইরিবসি ভোট থাদগদৌরিবা ভোটরশিংগী থৌদাংনি। লৈবাক মীয়ামগী চহী ৫ গী পুন্সি, অৱাবা নুংঙাইবা, চাউখৎপা-চাউখৎতবা পূম্নমক ভোটরশিংগী মখূৎতা লৈরে। মখোয়গী ৱাখল, ৱারেপ অমসুং মমল নাইদ্রবা ভোটশিং অদুনা মীয়ামগী লাইবক লেপকদৌরিবনি। মরম অদুনা ভোটর খুদিংমক্না ৱাখল মুন্না খন্থবিরগা পৈশা খরগীদমক, অহাওবা চাক্লেন অমগীদমক ইশাগী ভোট য়োম্থোকপিগনু। লাক্লিবা মীখল অসিদা ইশা ইশাগী ওইজ-ওইথক্কী ৱাখল থাদোকপিদুনা মুন্না খন্থরগা মীয়ামগী সেবাদা কখোকপা ঙম্বা, ৱাখল-মীৎয়েং চুম্বা, মীয়ামগী পূক্নীং ইহুল, অৱা-নুংঙাই মশক খঙবা, মণিপুরগী ইন্টেগ্রিটিগী চপ চানা লেপ্পা ঙম্বা, মীয়ামগী খোল্লাউ পুদুনা পার্লিয়ামেন্টতা নীংথিনা ফোঙদোকপা ঙম্বা, শম্না হায়রবদা এম পি অমা ওইবদা চঙবা গুণ পূম্নমক চেনবা মতীক চাবা মীরেপ্তা ইশা-ইশাগী মমল য়াম্লবা ভোট পীদুনা গনতন্ত্রগী অশেংবা ৱাহম্থোক লৈহল্লসি হায়না সিনিয়ার সিটিজন্স ফোর সোসাইটিনা মীয়ামদা আপিল তৌজরি।

***অদোমগী***
***লাইশ্রম সদানন্দ সিংহ***
*জেনরেল সেক্রেটরী*
*সিনিয়ার সিটিজন্স ফোর সোসাইটি মণিপুর*

# য়েলহৌমী কনবা পাম্বা মীওইদা ভোট পীসি

*ইকায়খূম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুরগী য়েলহৌ-ফুরুপ অমা ওইরিবা মীতৈ/মৈতৈসু ইন্দিয়া কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২(১) গী মখাদা সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্দুনা কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লৌ পীগদবনি হায়না চনশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা মাচ ৩, ২০১৯ দা ইম্ফালদা মীতৈ/ মৈতৈ মীওই লাক্ষ অনীরোম্না অনীশুবা অচৌবা "মাস প্রোটেষ্ট রেল্লি" অমা চৎলবা মতুংদা কোনুং লম্পাক্তা মীফম অমসু ফমখি। মীয়ামগী মীফমদুদা মণিপুর লৈঙাক্না মার্চ ৬, ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগী মথৌ তাবা রেকম্মেন্দেসন ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা থাবিনবা থমখি। করিগুম্বা মণিপুর লৈঙাক্না মার্চ ৬ ফাওবদা রিকম্মেন্দেসন থাবিদ্রবদি মার্চ ৯ গী নুংথিল পূং ৬ তগী হৌরগা মার্চ ১০ গী নোংয়াই ফাওবা পূং ৩০ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌবা হায়নসু ৱারেপ লৌখি। অদুবু মার্চ ৬, ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্না তুমিন্না লৈশিনবগা লোয়ননা রিকম্মেন্দেসন থাবিদবদগী লাউথোকখিবগী মতুং ইন্না হৌখিবা মার্চ ৯ গী নুংথিল পূং ৬ তগী ১০ গী অহিং নোংয়াই ফাওবা পূং ৩০ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌদুনা লৈঙাক্কী থৌওংদা য়ানীংদবা অমসুং পেন্দবা উৎখি।

মরকসিদা পার্লিয়ামেন্ট ইলেক্সনগী সেদ্যুল তাং ১০।০৩।২০১৯ দা লাউথোকপগা লোয়ননা ইলেক্সন মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টসু চৎনবা হৌখিবনা মখা তাবা অকনবা খোঙজংশিংদি কোদ ওফ কন্দক্ট লৈরিবা ফাওবদি তঙাইফদনা য়ৈথোক্তুনা লাক্লি। হৌজিক ভোট থাদনবগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মাগী মাগী পার্টিগী মীহুৎ কানবা অকনবা কেম্পেইন চখনরি। হৌজিক মাঙদা তারিবা ৱাফমদি মীতৈ/ মৈতৈ মীয়াম্না কনাদা করম্বা পার্টিগী কেন্দিদেটতা ভোট পীগদগে হায়বসিনি। ঐখোয় ইশুদা য়ূম্ফম ওইরগা পীগদ্রা নৎত্রগা, ঐ ঐনা পাম্বা পার্টি নৎত্রগা, মীওইদা ভোট পীগদ্রা? নীংশিংবা য়াই মীয়ামগী রেল্লি নুমিত্তা মীয়াম্না লেপ্পখিবা অতোপ্পা ৱারেপ অমগী মতুং ইন্না মীতৈ/মৈতৈ এস টি ষ্টেটস দিমান্দ অসিবু শৌগৎতবা পোলিটিকেল পার্টি অমদি মখোয়গী কেন্দিদেটতদি ঐখোয় ভোট পীফম থোক্তে হায়বনি। মণিপুর মীয়াম্না থেঙনরিবা ইশুশিংগী মরক্তা য়েলহৌমী কন্নবা ঙাক-শেনবগা মরী লৈনবা ইশুদি য়েলহৌমী মীতৈ/ মৈতৈ এস টি লিষ্টতা চলহনবা হায়বসিনি। য়েলহৌমী মীতৈ/ মৈতৈসু এস টি লিষ্টতা চল্লবদি মীতৈ/ মৈতৈনা নম্না খুন্দারিবা মণিপুর তম্পাকসু মীতোপ্না লম লৈবা অমসুং ভোট লেপ্পদা অথীংবা লৈদুনা মণিপুর পুম্বা কন্সটিট্যুস্নেল ঙাক্লৌ লৈরগনি লোয়ননা মণিপুরগী শক্তম হেন্না চেৎশিনহনগনি।

আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগীদি এপ্রিল ১১ দা ভোট থাদনরগনি। আউটরদা য়াওরিবা তম্পাক্কী কন্সটিট্যুয়েন্সি ৮ গী মীওইশিং ভোট থাদবদি য়ারগার লেপ্পদি য়াহন্দে হায়বগী নীংদোন পোম্নরিবনি। আউটর কন্সটিট্যুয়েন্সি অসি এস টিগী রিজার্ভনি। মীতৈ/ মৈতৈ দি মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইরবসু এস টি লিষ্টতা য়াউহৌদবনা কন্সটিট্যুসনগী মীৎয়েংদা জেনরেল কাষ্টনি। য়েলহৌমী নাৎ অদুনা এস টিগী রিজার্ভ সিটতা ভোট লেপ্পা য়াদবনি হায়বসি ঐখোয় শেংনা খঙমিন্নসি, চমম্নরোইসি। মরম অদুনা মণিপুরগী আউটর অমসুং ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীদা লৈরিবা মীতৈ/ মৈতৈ ঐখোয় হিংদবা য়াদে হায়বা ৱাখলগা লোয়ননা ঐখোয়সু এস টি লিষ্টতা চলহল্লু হায়বা ৱাফম অসিবু ময়েক শেংনা অমদি পুকচেল শেংনা শৌগৎতবা পোলিটিকেল পার্টি অমদি কেন্দিদেটতা ভোট পীফম থোকপ্রা থোক্তব্রা ৱাখল মুন্না খল্লগা ফীরেপ লৌবিয়ু। ভোট কাখ্রবা মতুংদদি মীওই অদু অমুক্তং উন্ননবা হোৎনবদা অৱাবা ওইনরিবনি হায়বসিসু কাউবীগনু। চহি ৫/ ৫দা অমুক্তং লাকপা ঐখোয়গী হক ঐখোয়গী তুংগী চারোল-শুরোলগী য়েংলগা চুম্না শীজিন্নসি।

অদুগা য়াম্না লাইবক থিবা থৌওং অমনা মীতৈ/ মৈতৈ এস টি লিষ্ট চলহল্লু হায়বা ৱাফমসি ইলেক্সনগা মরী লৈননা পাঙথোক্লরিবা মিটিং, রেডিও/ টি ভি/ প্রেস স্পোসর দিস্কসসননচিংবশিংদা অতম্না নাথেবা মানবা মওংদা ইপন-পনবা উদবসিনসু পোলিটিকেল পার্টি/ কেন্দিদেট/ এক্সপার্টশিংদুগী পুকচেল শেংবা ৱাৎপগী ময়েক লারবা খুদমনি হায়নীংই। মরম অদুনা মীতৈ/মৈতৈ মীয়াম্না ভোট থাদবা তারবসু চমম্নবিগনু কেন্দিদেটশিংগী অশেংবা ইন্টেন্সন খঙনবা হোৎনবিয়ু। অদুগা পুকচেল শেংনা মণিপুরগী মীতৈ/ মৈতৈ য়াওনা য়েলহৌমীশিং কনবা পাম্বা মীওইদা ভোট পীসি হায়না আপিল তৌজরি।

***অদোমগী***
***কেঐচ কুন্দর***
*সেক্রেটরী (ওর্গনাইজেসন)*